ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ২৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৪১শুবা মশীং

# ইম্ফাল মনুংগী ত্রাফিক জাম

## লুহোংবগী গাড়ী পরেংশিং হন্থহল্লগদি খরসু ফগনি

**মালেমগী** ওইনা পিবা-নিংঙোল যূম্বাল লন্বীদা খোঙদাননবগী লুহোং-কৈহোংবগী থৌরম অসি মহৈ-মরোং লোক্লবা মতুং, নোংজু-নুংশাগী ফীভম ফরকপা মতমদা হেক-হেক পাঙথোক্লে। মণিপুরদদি মহৌশাদগী হৌনা চহী অমগী মনুংদা থা খরদি লুহোংবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লদে। মচা পিবা অহল লুহোংবদা কালেন্দা হোংনদে, থৱান থাদসু লুহোং-কৈহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লদে। ইঙা-ইঙেনদসু নোং-চিং য়াম্না চুবা অমসুং লৌশিং উবা মতম ওইবনা কয়া কন্না লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লদে। অদুবু হৌজিক্তি ইঙা হায়বসু লৈত্রে, থৱান হায়বসু লৈত্রে, অদুম চাং খরা হন্থজরগসু লুহোংবগী থৌরমদি পাঙথোক্লবা উই। খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবসি হিয়াঙ্গৈ, পোইনু, ফাইরেন-লমতা থাশিং অসিনি হায়বা য়াই। মতম অমদা চৎনরম্বা লুহোংবগী কাঙলোনগা হৌজিক্কী মতমগী কাঙলোনগা য়াম্না শাথিনা খেন্নরক্লে। শম্না হায়রবদা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবী ১০০গী মনুংদা ৫০ মাঙশিল্লক্লে হায়না লৌবা য়ারে। ঙল্লিবঁ মতমদদি যূমলৈ-কৈরৈগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবনা ওইরিগদ্রা হায়বদুনা অমা ওইরগা মচা নিংঙোল লুহোংবদা অউনপোৎ পীবগী চাং অসি হৌজিক্কা য়েংনরুবদা য়ামদে। মীশিং য়ামদবনিনা লুহোংবসু মী য়াম্না তিন্দে। গাড়ীসু মরাং কায়দবনা মশীং ১০ রোমদগী হেন্না চৎনদে। অদুবু হৌজিক্তি লুহোংবা অপীকপা অমা চৎপদা গাড়ী ৩০দগী তাদে। অনকপা নৎত্রগা অরাপ্পা হায়বা থিদনা গাড়ী শীজিন্নরে। মীওই অয়াম্বা কার তোংনরবনিনা লুহোংবা লাকপদসু কার তোংলগা লাকপা মশীং হেনগৎলকই। পরেং লেংদুনা চৎপদা কিলোমিটর অমা ফাওবা শাংবা য়াওই। মতৌ অসুম্না লৈকায় অমদা নোংমতদা লুহোংবা অনী নৎত্রগা অহুম য়াওরকই। লৈকায় খুদিংদগী লুহোংবা থোক্লরকপদা ইম্ফাল সহরগী ময়োলমক্তদা পুংফম অমত্তদা লুহোংবা ১০ রোম ফৈজিন্নরকই। লুহোংবা অমমমগী গাড়ী ৫০/৫০দং থোক্লরক্লগা লুহোংবা ১০ মতম অমত্তদা লন্বী অমদা পৈশিল্লক্লবদি ফনা ফবা ত্রাফিক কন্ট্রোলগী দিভাইস লৈরগসু ত্রাফিক জাম থোক্তনবগী মরম লৈরোই।

হৌজিক পোইনু মতমনি। লৌশিং লোকপা অয়াম্বা লোইশিন্নরক্লে। মমাঙ থাশিংদা মচা নিংঙোল থাজনবগী লেপ্লখিবা মতম হৌজিক য়ৌরক্লে। মীতৈ ঐখোয়গী ওইনা লুহোংবগী থৌরম অসি অকক্লবা নুমিৎতা পাঙথোকই। পিবা-নিংঙোলগী মপোক নুমিৎতা লুহোং-কৈহোংনদে। নুমিৎ-থবান য়েংনৈ। অফবা নুমিৎ হায়বসি কনাগুম্বা অমদনা মসিনা ফরাগা কনাগুম্বা অমদনা ফত্তে হায়বা য়াওদে। চাউরাক্লা অফবা নুমিৎ হায়বসি অকক্লবা ওইনা তৌই। মরম ময়াম অসি য়েংলগা অফবা নুমিৎতা লুহোং-কৈহোংবগী থৌরমসু মশীং হেনগৎলকই। লুহোংগদৌরিবা পিবাশিং অদুগী লুহোংবগী পুংফমসু মতম অয়াম্বা মান্নে। মরম অদুনা নুংথিলগী পুং ২ তারকপদগীনা পুং ৩.৩০ ফাওবদি ইম্ফালগী মরুওইবা লন্বী কয়ামরুম ত্রাফিক জাম থোকই। ত্রাফিক জাম থোকপগী মরুওইবা মরমশিংদি লুহোং-কৈহোংবগী থোক্লরকপা গাড়ীশিং মতম অমত্তদা পুল্লপ থৌদোক্লরকপা, অহান-অকোন য়েংনদনা, হানবা তান্নবগী মওংদা পংথৌদা থৌজিন্নরগা ত্রাফিক্কী কাঙলোন থুগাইরকপা অমসুং লৈঙাক্লা ত্রাফিক নীংথিনা রিগুলেট তৌদবদগী থোরকপনি হায়বা য়াই। ঙসি ঙসিমক সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী ইম্ফালগী মরুওইবা লন্বী কয়ামরুম গাড়ী ফাওদুনা চৎহন্দে। মসিনা মরম ওইরগা অয়ূক-নুংথিলগী মতমদসু ত্রাফিক জাম থোকই। ত্রাফিক্কী ফ্লো লৈবা মতমদা ফাওবা মহৌশাগা মান্নদনা লন্বী চিল্লবা মতমসিদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী লন্বী থৈদোক-থৈজিন তৌনবা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা অমুকসু লুহোং-কৈহোংবগী মশীং য়াম্লবা গাড়ীশিং লন্বীদা থৌজিন্নরকপনা মরম ওইরদুনা সহরগী মফম অয়াম্বদা লৈবা লন্বীশিং ত্রাফিক জাম থোক্লে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কনাগুম্বনা মীওই অমা মশা ঙমদ্রে হায়দুনা হোস্পিটালদা পুখৎলকপা তারগদি হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙৈদা অনাবা অদু শিবা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ত্রাফিক্কী ভোল্যুমদি হেনগৎলক্তবা য়ারোই। অদুবু মপূং ফারবা ত্রাফিক্কী রেগুলেসন অমা তৌবা ঙম্লগদি ত্রাফিক জামগী প্রোব্লেম শাথিনা হন্থহনগনি। মসিগীসু মথক্তা মীয়াম্না লুহোং থাদা গাড়ী পরেং চৎপগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসিসু শেমদোক্লগদি খরসু ফগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা তঙাইফদনা নিংঙোল-পিবা, নিংঙোল-পিবা পোকপা অহল-লমনশিং, লুহোং-কৈহোংবগী তঙাইফদবা লাই-তীলগী পোৎলমশিং পুবা গাড়ীশিংখক্তমক পরেং চৎলগসু অতৈ গাড়ীশিংদি লন্বী থৈরগা চৎননবা ৱাখল থাদবা মতম য়ৌরে। থৌশিল অসি লৈঙাক্লা নৎত্রগা ত্রাফিক পুলিসনা শেম্বগী মহুত্তা ঐখোয় ইশানা শেম্লগা চৎনজবনা লৈবাক মচা তাবা ফীভম ওইগনি। মদু নৎত্রগদি সহর মনুংগী ত্রাফিক জাম হন্থহনবা ঙম্লোই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ফাগী তৌবদা মৈ থারবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**দেমোক্রেসিগী** যূম্ফমদা ক্রিটিসিজমগী মফম পীদ্রবদি অদুগুম্বা দেমোক্রেসিদু নাকল নাম্মতগী লৈঙাক লৈ হায়না লৌগনি। মীয়াম্না পাল্লিবদি অফবা ক্রিটিসিজমনা অফবা লৈঙাক লৈহন্দুনা লৈবাক অদুবু ইংনা চিক্না মরা তপ্না পানবদুনি। ঙসিগী ইন্দিয়া, মালেমগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা দেমোক্রেসিনি হায়হনগে হায়রবদি নাগরিকশিংদুগী মখা পোনগনি। অসিগুম্বা তানফমদা ঐখোয়গী দেমোক্রেসিসি নৈননীংগনি, অদুবু নৈনদ্রিঙৈদা লৈবাকসিগী নাগরিকশিংদা চেল্লিবা মরৈবাক নুংশিবগী মচৎশিং, ফুরুপসিগীদমক্তা লৌরিবা থৌদাং, অপূনবগী শেন্মীৎলোন্দা থম্নরিবা মিৎয়েংশিং, মপান নাইদ্রবা নাৎ অমসুং কলচরদা উৎলিবা ইকায়খুম্নবা অমদি মী মশেলগী মরক্তা থম্নরিবা ইকায়খুম্নবশিংসি হান্না নৈনবনা হেন্না চুমগনি। অসিগুম্বা ৱাহংশিং অসিনা মাঙওইনরগা ঐখোয় পূম্বনা ঐখোয়গী দেমোক্রেসিগী মগুনসু লেপচগদবনি।

দেমোক্রেসিগী মনুংদদি লায়র-ইনাকখুনবা, লৈত-লায়রগী ৱাফম লৈতে, অসিগুম্বসিদি লৈঙাক্তুগী হৈথোই-শিংথোইবা থৌশিলনা লৌগদবা থৌদাংনি। হৌজিক ঐখোয়গী মাংদা তারিবা লুরবা ইস্যুদি ঐখোয়গী দেমোক্রেসিসি করম্না মগুন লৈহনগদগে হায়বসিনি। লৈবাক অসিদা য়াম্না পীকপা ইস্যুদগী হৌরগা অচৌ অচৌবা লৈবাকসিবু চেন্থবা য়াবা ইস্যু কয়ানা মকোন শাজিল্লক্তুনা নাকপাক নাকপাক নাইনদুনা দেমোক্রেসিবু মখোয়গী অউননাই ওন্থোরকপসিনি।

লৈবাক অসিগী লুরবা তানফমদা লৈঙাক্কী মথক্তা ক্রিটিসিজম তৌরকপা হায়বসি অমরোমদদি য়াম্না চুম্বা দিমোক্রেটিক রাইট অমা ওইফম থোকপ্রা খল্লি। খূৎফোঙদোক্তা হেন্দোক-হেঞ্জিন লাক্লিবসিদি মাংদা তারিবা ইস্যুদুদা কোৎলিবা কোচিশিং অমদি অফা-অপূননবগী মওং মতৌদসু খরা মখা পোনগনি হায়নীংই। অসিগুম্বা ফীভমদা অকন অথৌনা মাং থারগা খুদাং হেক্তা তাখৎপসিদি খজিক্তং লেম্বা ৱাৎলি। অরোইবদা হায়জনীংবদি, ফাগী খরা য়াওবনা ক্রিটিসিজমদা মনীং-মখা তম্বা, মতুং তারকপদদি, ফাগীনি ফাগী নত্তে খঙগে হায়রবদি হাপ্লিবা পাত্রদু হান্না মুন্না য়েংবিয়ু, তাপ হেক পায়বিরুনু পোকপসু য়াওবনি।


*অদোমগী - আর কে টরাজিৎ, ৱাংখৈ খুনৌ, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬১

১। মখাদা পীরিবা অরিবা ৱাহৈ অনীসি ঐখোয়গী থাচৎ অনীগী মমিংনি।
হৌজিক চৎনরিবা মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) কানবী (খ) অচিৎ।
২। "হে উমাপতি, পীনবিরো ননাইগী প্রায়শ্চিত।" ৱাহৈ পরেং মতেকসি হিজম গুনগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। উপন্যাসতুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "হয়েংমক ঐখোয় মফমসিদগী চৎখিদবা য়াদ্রে।" পরেং অসিনা শরতচন্দ্র নোংথোম্বনা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "...ঐসু মমাঙঙৈগী সুমতিদু নৎত্রবনি। অনৌবা সুমতি অমা ওইরবনি।" ৱাহৈশিং অসিনা 'নক্লরবসু লাপ্নখ্রবী' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ২০০০দা 'রাইটর ওফ দি ইয়র' মিংথোল পীখিবা তাংখুল অইবদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কৃষ্ণচন্দ্রগী শরেং থোংবা



**ঙাঙলিবা ৱা,** ইরিবা ৱা ময়াম অসি তনবু তল্লক্কদৌরি/তনশিল্লক্কদৌরি। অদু ইরবদি অদু হায়রবদি ননাতোন কক্কনিগা, নঙক কক্কনিগা, নখূৎ কক্কনিগা হায়রবদি য়াম লুশল্লকই। ইবু ইরবদি কনানো অমনা পান্দবা য়ৈদবা য়ারক্তে। থওইনা নৎত্রবসু, লৈতুম অমবু লংলবদি লৈবাক্তনি খঙদে, ফক্লাংদনি খঙদে পান্দবদি য়াদে।

ঙাঙনীং ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, ইনীং-ইনীংবা খুদিংমক ইরিবা অদু য়ানীংদ্রগনা সিদা শোয়রে, সিদা লাল্লে হায়না ক্রিটিসিজম পীনবা অদু কাল্লগা খূৎ ককপা, নাতোন ককপা, কোক ককপরোমদা মানা মানা থোকপা ঙাঙনরকপা কনানা কিরোইদৌরিবনো? লৈবাক অসিবু হন্দক মরক শঙলীংবনা পানবদৌনা উহল্লক্লি। ঐখোয় য়াম কিজৈ, অসুম্না মীয়াম্বু কিহনগে খনবীগনু। খংপ্রেক খংপ্রেক খংবা ৱা য়াম তারকই। ৱা ঙাঙদৌ তল্লকই। অদুই শরুক অৱাং কোরিয়াদা নাখৈ শেংনা লৈজবনা ফৈ। মীয়ামঙাক (দিমোক্রেসি) চৎনরিবা লৈবাক অমদা য়াম থাক হন্থ-হন্থবা ৱা ঙাঙনবা অসি ইয়া য়াবদৌনা তৌনরক্লি। ঐনা ঙাঙবনা য়াদবা অশোনবা অতোন অতাবা অমনা ঙাঙবদনা মচিন মখা হেক ইমেন মেনবা হনুমান অমনা ঙাঙবদনা কৈসু ইহায় হায়দবা। য়াম কিনীংঙাইনি। কির কিরবা ৱা ঙাঙনৈ। কিহন্নৈ, ইমু নাইমু তানৈ। হাত্তোক্লে ... অশোনবনা মতম অয়াম্বদা অৱাবা নংজৈ। অরানবা তাই। য়েংবদা তাবদা য়াম ৱাই।

লাইরিক, ফিল্ম, শুমাং লীলা, ঈশৈ, ফিজেৎ-চাকচা, লন্বী শেন্বা, চাক এঞ্জাং থোংবা, এদিটোরিএল, শৈরেং, উপন্যাস, ৱারীমচা, দ্রামা, থোং শাবা মুন্নবু য়েংশল্লুরবদি অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তনি। য়াম্না শোয়বা, খিত্তং শোয়বা, ঙাকপীবা য়ানা শোয়বা, শেমদোকপা য়ানা শোয়বা ঙাক্লি। মীৎয়েং খেন্নরবদি অশোয়বদু অদুম লান্না উই, মীৎয়েংনবু মান্নরবদি অরানবসু চুম্না উই। ইচানুপানা মীগী মচানুপী রেপ তৌরগা হাৎলবসু ইচা মরাল লৈতে হায়না কনখৎনরি। ঐনা ভোট থাদদুনা কাখিবা এম এল এ অদুনা মন্ত্রি ওইরক্তুনা মীওই কয়া শেল চাদুনা থবক হাপ্পদা ইশাগী মিনিষ্টর হায়বদু কৌরবনিনা মাদি শেঙ্গা থুমজা তৌজদে

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

- তুলসি মনানিকা হায়দুনা অসুম হায়নরিবা তানরিবসিনি। ইশানবু অদুম নুংশিখ্রবদি চান্মরকসু ঙাকপীবসু ঙম্মী। অদুম নোক্লগা তোকনৈ।

তাইবঙপাল অসিদা অচুম্বা অমসুং অরানবা হায়দনা অনী লৈরি। অরানবা অদুবু অচুম্বা তানবা লাক্লবা নৎত্রগা অচুম্বা অদু অরানবা তানবা লাক্লবদগী লাল অদুম লাকপনি। ঐগুম্বা অপঙবা মী কাঙবুনা অচুম্বসু মশক খঙদে, অরানবসু মশক খঙদে - লাই নীংলগনি খঙদে, জ্বার শান্নরগনি খঙদে, গঞ্জা থক্লগনি খঙদে, নুংঙাইরে নুংঙাইরে হায়না অদুম লেন্থোকপসু করি অমত্তা কায়দে। লেন্থোক্লে।

অচুম্বা হায়বা অসি মফম মতম খুদিংমক্তা ওইরমদ্রি। মাগী মাগী ৱাখলনা লেপ্পা ওইরি। ঐত্তা কৃষ্ণচন্দ্রনা থোংবা শরেং অদু মীওই কুনখক্তং দিবেট তৌনহনবদা হাওই হায়বসু য়াওনি, হাওতে হায়বসু য়াওনি, অমনা থুম চপ চাই হায়নি, অমনা থুম নমদে হায়নি, অমনা থুম য়াকই হায়নি, অমনা মোরোক নমদে হায়নি, অমনা মোরোক শাই হায়নি। পাউখুম অমত্তা মান্নদে। ঐত্তা কৃষ্ণচন্দ্রনা থাক্লিবা থুম, মোরোক, থাও অদুদি কন্সটেন্টনি, লেঙদবনি, পুথোরক্লিবা হায়নরক্লিবা মোত অদুদি অমফাও মান্নদে। সিদনি অমগা অমগা য়েৎনরিবা ময়াম অসে। য়েৎনদ্রবসু য়াবা কয়াদা য়েৎনবা য়াওরি, ফজনা নে-না তানা টেবলদা খন্নরগা য়াথোক য়াশিন তৌনরগা লোইশনগদবা ৱা কয়া য়াম মতম চঙনা ৱানা লোইশনবা কয়া কয়ানি।

ইশা ইশাগী ৱাখলনা চুম্মে হায়বদু ঙাক্লা য়ারমদ্রি। অমগা অমগা খরা খরা হন্দোক-হঞ্জিন তৌনরগা য়ানবা অমা চঙলি। পুরা য়ানবা হায়বা লৈরোই। খন্দুনা য়েংবীয়ু - ইশামক্কী লোইনবীগসু পুরা য়ানবা ঙম্মোই। খরা খরা হন্দোক হঞ্জিন নাইনরিবনি। মপাগা মচাগসু হেক্তা য়ানরোই, মমাগা মচানুপীগসু য়ানবা লৈরোই। য়ানদে হায়দনা নখূৎ কক্লে, ননাতোন কক্লে, নকোক কক্লে হায়রবদি আইনগী মতেং অমুক লৌবা তারে। ফনা কিগল্লমদবনি। কিগনবা অমা হায়বদু খংওই ওইরে। নোংমা নোংমগী কিনগবা হায়বদু ওইশল্লক্লে। মানা মানা ঙাঙনীংবা অচুম্বা ৱা অদু ঙাঙথোকহল্লগা অফ-ফত্তা নৈনবগী মহুত্তা ৱা শুকঙাঙ ঙাঙহন্দনবা হোৎনবা অসিদি লাইনসু য়ারোই, মীনসু য়ারোই। করি করমহায়না তৌবা লৈবাকনো হায়না হংনীংবদুম পোক্লে নৌহৌননা। লৈবাক অসিদা ৱা ফজবা ঙাঙনি খনবদা, ইনি খনবদা কমলাক নীক্লে।

# মী লৈরমদ্রবা কোনুং

নবকুমার ওইনা

**কোনুং** হায়বসি মী ময়ামগী লৈফম হায়বা নত্তে খল্লি, লৈবাক অমা ৱায়েন্নবগী ৱারেপ্পফমনি হায়বা য়াগনিসু খল্লি। ষ্টেট অমগী কোনুং ওইরগনা মী খরগী ৱায়েল চথফম হায়বা তারে। থায়নগী কোনুং হায়বগা হৌজিক দেমোক্রেসিগী কোনুং হায়বগা খেন্নবা ময়াম লৈরগনি। ষ্টেট অমগী কোনুংনা লৈবাক অমগী কোনুং ওইনা অমুক লাকপা য়াবসি মীয়ামগী ৱারেপ্পা ওইরকপসু য়ারিবনি।

ইন্দিয়া লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট ফাওবা য়াওনা মী ময়াম লাকপদা মীয়াম অমা উদবসি করি ওইনা খল্লম্বা য়াবগে? লমদম অসিগী মীয়ামসি পোইনু লৌ লোকপগী থবক য়াম্না চিনবা ওইনা উরম্বসু য়াই। লৌবুক্তা থবক শুবদি উরিবনি। লন্বীদা মী য়াম্না চত্তবগী ৱাতনি, থবক চিনবগী লন্বীদা থোক্লক্তবনি খন্দোক্লম্বসু য়াগদ্রা। মীয়াম অমগী অপাম্বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্বা তারকই। ইশাগী অপাম্ববু মীঙোন্দগী নিবদৌনা হায়গদৌরিবনা করিগী ওইফম থোকপগে। ভোটতা থৱায় য়াওখিবা মীয়ামদুনা তুমিন্না লৈবগী মরম্না করি ওইফম থোকপগে? ভোটকী ৱা ঙাঙনবদৌনা দোং-দোং ঙাঙনবা য়াদ্রিবনা করিগীনো খল্লকই। যূমথংনরিবা নাগালেন্দগা য়াম্না খেন্নবগুম উরকই। মসি পূম্নমক অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎপা থেংথবগী ওইবসু য়াই। অমরা-অমরা অপাম্বা অমদি ফোংনা ফোঙদোক্লে। মসিনা অহৌবনি পাম্নরিবদি ৱারোইশিন অদুনি। সঙাই ফেষ্টিবেল হায়বসিগদি হকথেংননা মরী লৈনবদি নৎত্রি। মী য়ামদ্রবসু অদুম তৌরি, হৌখ্রে। মীয়াম্না য়েংনগদৌরিবনা অমনি, খন্নরিবা ৱানা টুরিজমগী ৱাদুনি।

সঙাই হায়বসি ষ্টেট এমব্লেম ওইবগী সঙাইগী মমিং লৌদুনা সঙাই ফেষ্টিবেল কৌবনি। সঙাই কনবা ঙম্বা ঙমদবগা হকথেংননা মরী লৈনবা ওইদে, টুরিষ্ট লাক্লবদি য়েংনীংবা তাবনি। হকথেংননা উহনবা ঙম্নবা শিনসি হায়বনি। লমদমসিগী ইরোইসু মুৎশিল্লক্লি। কনবা তাব্রা? শগোলদি কল্লনি হায়নরে। শামুসু লৈরম্বনি মুৎখ্রে। কৈদগী, লমহুইদগী, লংজা ফাওবা ময়াম মুৎলে। লমগী উচেক ফাওবা ইপাই-পাইরকখিদ্রে। লুরিবদি মী মখল খরা অসুম মুৎশিল্লকপা অসিনি। মমৈথংদা হোম-ষ্টেট-টুরিষ্ট ঙাক্তা লৈহৌব্রা খঙদ্রিবা ৱানি।

লমদমসি ঐখোয়গীদি নোংথক্তা লৈবা কোনুংগুম্বনি, অনীশুবসু নত্তে। মসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙম্নবা ফেষ্টিবেল তৌরিবনি। ৱারী-ৱাখোঙ খঙনদবদগী থিকা তৌনবগী মাল্লকপগী ৱাসু লৈরি, তৌনবদুনবু মাল্লিবনি। থা তরেৎতা ঙায়রিবা মৌ অনৌবীনা শিনবনি, ফনদুম ফজৈ।

নহা ওইরিবা মিনিষ্টরশিং ভোটতি কাহৌদ্রবা কয়া অমসু য়াওনা পার্টিগী মায় চোপ্পা য়াদে হায়বগী মওংদা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগনি হায়বগী ৱাশক অমগা ইরোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংনি হায়বদি তানরে। ষ্টেটতগীনা নেসনল লেবেল ফাওবদা অহোংবা অমদি উনরে, ফবা-ফত্তবগী ৱাদুনা কোন্না খঙনরগদৌবা ৱাফমনি। খরা য়েৎনবদি মহৌশানি, য়েৎনবনা অচুম্বা পুরকই হায়বসু লৈরিবনি। ফজনা য়েৎনবসি ফজবা পুরক্লবা লন্বী অমনি। য়েৎনদবা য়াদে, মরমদি মী খুদিংমকসি হান্ননা পূক্লিং লৌশিং মান্ননা পাউ ফাওদোক্লরবা ওইদ্রি। হকচিন্না লৌনরকপা য়াওনরিবসিনা স্কুল্লিং পুল্লক্তবগী ওইবসু য়াই, মাগী মাগী ষ্টদি মান্নদবগী ওইবসু য়ারি। ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি হায়বসিমদি ইমান-মান্নরবা ৱানি। খেন্নরিবসিনা মনুংদা শেন্দোংগী ৱা অমা লৈবনা ওইরম্বসু য়ারিবনি। ইশেং শেংবা ৱানি শেন্দোংগী খন্নদবসু নত্তে। মিংচৎ ওইনা তোংগেরা, পৈশা ওইনা তোংগেরা, পার্টিগী ওইনা তোংগেরা, শেন্দোং অমদি শোয়দ্রে। লৈবাক মীয়ামগী ওইনা মীয়ামসিগী থৌগলনি খল্লগা মীওই কাঙলুপ অমা মতম চূপ্পগী হিংবা ঙম্নবা খন্নরিবনি হায়বসি কদায় ফাওবা অচুম্বা ওইনগদৌরিবনো হায়বগী চাংয়েং অমা থোক্লক্লি। চেল্লি চোংলিবা ময়ামসি ইফোং ফোংনা উনরিবনিনা কাঙলূপ অনী অহুম থোক্লা উরিবনি। লৈঙাক পায়রগা শিল্লিবা, লৈঙাকসি য়ানীংদে হায়নসু শিল্লিবা, অনীমক্তা য়াওদনা শিল্লিবা ময়ামসি মীয়াম অসিগী পাম্বোম অমমমনি হায়না য়েংবসু য়ারিবনি। মসিদা নাপল কানফম্নি খনবদি লানগনি খল্লি।

মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরগা খুমাঙ ইচাউ চাওখত্তনা লৈরম্বগী মরম্না করিনা ওইফম থোকপগে? মী মীদা লৈরে, সিষ্টেমদা লৈরে। মীদা খেন্নরিবসি করিগীনো? পোকফম-শাৎফমগী ওইনা খেন্নবা, মহৈ তম্নবগী খেন্নবা, মপূক ফবা-ফত্তবগী খেন্নবা, ওর্গেনাইজেসনগী খেন্নবা, ঈগী খেন্নবা কয়া লৈবদগী ওইফম থোকপনি। ওইগদৌবা অফবা সিষ্টেম অমা পোরম য়াৎপদি মান্নফম থোকই, শেন্নবনা অমনা-অমনা মতম-মতমগী শেন্নরবসু মখা চথনবা য়াবা ঙাক্তনি।

ৱাংলিবসি কো-ওর্দিনেসনসু অমনি। টুরিজম চাওখৎলগা পূম্নমক চাওখৎলগনি খনবদি হাকমনবা ওইগনি খল্লি। টুরিজম হায়বসি পৈশা তানবা খক্তগী নত্তে, অচৌবা থোঙনাও অমনি। মালেমগী মীয়ামসি উবা হেল্লক্কদৌরিবা লন্বী অমসুনি। হীরম কয়াদা হৈবা-শিংবা, খঙবসু হেল্লক্কদৌরিবনি। লম ওইনা য়েংফম হোংবদুতা নত্তে মী ওইনা হোংলক্কদৌরিবদু করম্বা মায়কৈদা ওইহনগদৌরিবনো লেপথোকপা তঙাইফবা লাক্কনি। জু য়েংবা চৎপদা পূম্নমক জুদা লৈবা মাল্লকপদি ফজরোই। য়েংফমদু শেন্নবা অমা চঙই, য়েংফমদু ফজহনবা চঙই, অশিল-অরাংদু ফজহনবা তঙাইফদনা তৌদবা য়ারক্তবদুনি। মদু পূম্নমক্কী শৈহৌ সঙাই ফেষ্টিবেলনা ওইরকপদুনি। মসিবুনি নোংপোক থোঙ হাংবা হায়রিবসি, কংলাদা থোং শাবদু নত্তে। তশেংবনা তূম্বা হৌগৎলগা মশাগী খল্লকপা, থৌদা য়াবা ঙম্লকপদুবু নোংপোক থোঙ হাংবা ওইগদৌরিবনি।

ঐখোয় চহী কয়া তূম্লুরে। হৌজিক করি তৌগনি। চীং-তম মান্ননা মিৎকপ থোক্লবরা, অঙাং নিঙাইদা চাক ওইনরিব্রা? করিগীনো ইফোং ফোংনা মশা মশাগী ওইজ ওইথক্কী ৱাফম্না মপান শারিবা। অপূনবগী ৱা ঙাঙবা ঙম্নদ্রিবা করিগীনো? হৌজিক ৱাখল খনবগী মওং হোংহনবা চঙলি। থবক পায়হল্লবদি ৱাখল হোংবা তারকই। লাইরিক্তি তম্লগা লাইশুদি হৈতবা য়াই, তৌয়াম্বা হায়বা অমা ইৱাৎ-ৱাৎলি। হৈবদি হৈরে হায়গনি, নানবা ৱাৎপদুনি। লৈঙাকসু ঙাইরে, ওজাসু ঙাইরে, শিন্মীসু ঙাইরে, লাই নীংবা ফাওবা না-পু তাদবা মানবা অমা ইরোয় লোয়নরি। মসিবুনি পূল্লপ্পা লৈবাক-মচা-তাবা ঙম্নদবা হায়বা য়ারক্লিবসি। মীদা লৈবা ৱানি, মসি পূম্নমক লৈমায়দা লৈগদৌবা নতে। কোক্তা লৈরবা মতমদা লৈমায়দা উবা ফংলক্কদৌবনি। সঙাই ফেষ্টবেলগী কোত্তে তৈবা মচু শংলিবদা উবা ৱানি, কোতৈ তৈরিবা কোয়লাদা উবা ৱানি। থবক ঙম্বগীদি ফরে, মচু তাদ্রবদি অদুম নীংশিংদুনা লৈগদৌরিবনি।

মীওইবগী নাৎসি থায়নদি লান তৌনরগা নমদুনা শন্দোক্লরল্লিবনি। শান্নবদা মালেম শিনবা থুংনা চাওখৎ লমজেল তান্নদুনা নাৎ তোৎশিন্নদুনা লৈবাক-মচা-তাবা শাজৎ শাগৎমিন্নরিবনি। হৌজিক্তি টুরিজমসু নাৎ ফজবা তান্নবগী লন্বী ওইরবনি। মীওইবসি অমত্তনি হায়বা য়ানরিবসি শান্নবা অমসুং টুরিজম অসিনা ওইরে। ঐখোয়সু টুরিজমদা য়াওশিনবা পাম্লে। ইরন্নাইগী ৱাখল থাদোক্তুনা মীওইবসি অমত্তনি হায়বসি খনবা তারক্লিবনি। ইশাগী ফজবা শক্তম শাগৎতুনা মালেমগী ফজবা শক্তম শাগৎপদা শরুক য়াবদুনি তান্নরিবদি। ইশামক ইশক উহন্দনা মতমগী ইরোলনুংদা লুপশিন্দুনা মাঙখিবা অদুমক্তি অরানবা খোঙথাংনি হায়বসিসু কাউবা য়াদবনি। মতম অদুদা ৱাখল লৌশিং মাঙবা য়াদবা লাকপদুনি। চিরবা মতমদা মায়ওন চুমদবা য়ারক্তবা, ৱাখলদা মায়কৈ চান্মা লোংলকপা অৱাবা মিৎকুপ্তু লাক্কনি। মতম অদুদা মীয়ামগী ৱা ময়াম থোক্লক্কনি। মীয়াম্না পুনবা ঙমদ্রবা কৈদৌঙৈদসু সনা কোনুংনি হায়বা য়ারোই। ৱারেপ লৈরোই, লৈঙাক লৈরোই, লাই লৈরোই, মীয়ামসু লৈরোই, কোনুংসু লৈরোই। কোনুং অমনবশিংগী শক্তমসি মদুনি, মতম অমগী মীয়ামগী থাজবা লৈরম্বা মতম মতমদুগী লৈঙাক্কী মল্লবা শক্তম অদুনি।

ঙসিগীসি কৈদৌঙৈ অমনবা ওইনা উগদৌরিবনো? অমনবা লৈঙাক্তি কান্নদবা লৈঙাক্লি। পোৎশক খুদিংমক মিৎকুপ খুদিং হোংলিবনি। লৈঙাক শেন্নবা মীওইশিংদি হোংবা য়াই, লৈঙাক অদুদি হোংলোইদৌবা অমদা শাগৎপা ঙম্নবা তকশিন্নরক্লিবা কাঙলোন কয়ানি। সঙাই ফেষ্টিবেলদা মদু উবা ঙম্নবগী লৌশিং লাম্বা ফংগদ্রা? মপান্দা চৎলগা য়েংলুরবা মীওই য়াংখৈ-চান্মনা ৱারেপ লৌবা য়াগদৌবা মান্দে, মীয়ামগী মিত্তা উহনবা চঙই, থাজহনবা চঙই, তন্বীবা চঙই, য়ানহবা চঙই। মীয়ামসি তপ্না-তপ্না লন্বী অদুদা চৎহনবা তারকপদুনি। তশেংবদি অফবা থবক শুহনবদুনি, থবক শুবদু হরাউনা শুহনবদুনি। হুরানবা য়াওনরবদি খোয়দৌ শাওগৎনরগা খৎনবগা-চৈনবগা মতম মাঙমিন্নবদুনি। চহী চান্মা-চান্মা মাঙখ্রবনি। ঙসিদি তূম্বা হৌগৎলে, নোংপোক থোঙ হাংলে। পাখোন চৎপা হৈতবশিংনা থৌদাবসু হৈরমদবদুনি। লৈঙাক চূপলি পায়বা ঙম্নরক্লে। মথম্মোয় শোনবা কাঙলুপকীদি ওইজবা ফংবা ঙম্লোই হায়বসিদি চক্রগী ময়া চঙলবা মীওইশিংতনা খঙগনি। পীক্লবসু পীক্লা হী হোল্লিবা হীরোইদুদা তোর্ব্বান্দগী লাউবনা কয়া কান্নরিবগে হায়বসি নোংলৈ নুংশিৎ নংলবা মতমদতা খঙলকপা তারবদি হীরোইদু ইরাক্লবা তারকপনি। ৱা তাবা হৈতবশিংনা অশেংবা পাউ পুবসু ঙম্লোই। মী লৈরমদ্রবা কোনুং য়েংবা, য়েংবা লাক্লিবা মীশিংগা কোনুং শংলিবা মীদুগা ৱাখল মান্নগনি হায়বদি লৈতে।

লমদমসিগী মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংগদৌরিবসি কোনুং অমনবা শেমগৎপগুম্না য়েংগদৌবা নত্তে। কোনুং অহনবা অমা শাগৎনবগী উরেপ তম্বদুনি। অথুম-অহাও খরা চারগা মতম লেন্থোকপসু নতে। মখোল থোক্তনা মরোল লোল্লিবশিংদু তাননবা না শেংদোক্লগা য়েংবা তাবনি।